**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 14-11-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা লালহৌবা অমা ফারে, উখ্রুল জিলাগী মুলাম চীংশাং পরেংদা পাক শন্না থারম্বা পোপি পান্বীশিং য়ান্থৎতুনা মাংহনখ্রে।

২) মণিপুর ষ্টেট জরনেলিষ্ট এৱার্দ ২০২৫ ফংগদবশিংগী মীং লাউথোকখ্রে।

অমসুং

৩) বিহার বিধান সভা মীখলগী ভোৎ মশিং থীবগী থবক ঙসি অয়ুক পুং ৮ দগী কাউন্টিং সেন্তর ৪৬ তা হৌরগনি।

------

সেক্যুরিতি (এল)ঃ রাজ্য পুলিসনা আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অমা ককচিংগী অঙানচীং ক্রোসিংদগী ফারে।

পুলিসকী পাউনা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী ইরাং থোকপা য়াবা অমদি চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুন্দ্বগী থবক লেপ্তুনা চথুরি। মসিগী মনুং চন্না ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ককচিং জিলাগী এম.এস.পি.দি.সি.এল পৱার হাউস মনাক্তা অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌবগী থবক চথুবদা আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অমা ফাখি। মীওই অদু ককচিং ফৌশুপাৎ লৈকাইদগীনি।

অমরোমদা, মণিপুর পুলিস মোটোর ভেহিকলগী নিয়ম কায়না গাড়ি থৌরিবশিংগী মথক্তা মখা তানা দ্রাইভ চথুরি। ঙরাংসু মীওই ৩৯ চলান কক্তুনা ফাইন থিহনখি। রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসিগা য়েংলগা সেক্যুরিতিগী

অকনবা চেকশিন থৌরাং মখাদা নোংমদা চংদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং পুবা গাড়ি ৩১১ ইম্ফালদা পুশিল্লকখ্রে। নেসনেল হাইৱে-৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা পুশিল্লকখিবা গাড়িশিং অদু অশোই অঙাম থোক্তনবা ইরাং থোকপা য়াবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখি অমদি সেক্যুরিতি পল্লোইশিং পীখি।

পোপি (এল)ঃ রাজ্য সরকারনা নিশাগী মায়োক্তা চংশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকা লোয়ননা উখ্রুল জিলাগী মুলাম চীংশাং পরেংদা পাক শন্না থারম্বা পোপি পান্বীশিং য়ান্থৎতুনা মাংহনখ্রে। চীংশাং পরেং অসিগী লম একর ৩৫ রোম পাক শন্না থারম্বা পোপি পান্বীশিং অদু য়ান্থৎপগা লোয়ননা মফম অদুদা শারম্বা লৌতাংশঙ অহুমসু সেক্যুরিতি ফোর্সনা থুগাইদুনা মাংহনখি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা লমদম অসিদা ময়াই কাবা নিশা থিংনবা চংশিল্লক্লিবা খোঙজংবু হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা পোষ্ট অমদা শ্রী বিরেন্না হায়- ড্রগ লল্লোনবা অমদি পোপি থারিবশিং মরু ফংনা মাংহন্নবা ঐখোয় পুন্না লান্থেংনবা তঙাইফদে। ঐখোগী হৌরক্লিবা তুংগী মীরোলগীদমক ফৎত্রবা নিশাগী পোৎলমশিং অসি থিংবা মথৌ তাই। রাজ্য প্লিসনা চংশিল্লক্লিবা খোঙজং অসিদা লমদম অসিগী মীয়ামা মপুং ফানা শৌগৎলি।

জরনেলিষ্ট (এল)ঃ রাজ্য সরকারগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পাব্লিক রিলেসন্সনা খনগৎলবা পাউমীশিংদা পীবা মণিপুর ষ্টেট জরনেলিষ্ট এৱার্দ ২০২৫ ফংগদবশিংগী মীং লাউথোকখ্রে।

সরকারগী পাউতাক মতুংইন্না শেমখিবা সেলেক্সন কমিতিনা চহি অসিগী ওইনা তোঙান তোঙানবা হিরমশিংদা খনগৎলবা পাউমীশিং অদুদি- সাইন্স এন্দ টেকোলোজি রিপোর্তিংদা সনালৈবাক পাউচেগী পাউমী শনাশম কৃতিবাস, পার্লিয়ামেন্টরি রিপোর্তিংদা পাউচে অসিগী সব-ইদিতর ডাঃ খাইদেম অথৌবা

মৈতৈ, পাব্লিক হেলথ অমসুং হাইজিনদা পাউচে অসিগী পাউ হেমচন্দ্র শগোলশেম, আর্ট এন্দ কলচরদা পোকফমগী এসিষ্টেন্ট ফিচর ইদিতর থোঙাম বোনি, স্পেসিয়েল রিফরেন্স টু ৱিমেন এন্দ চিলদ্রেনগী অখন্নবা পাউদমদা শঙাই এক্সপ্রেসকী সব-এদিটর খরিবম য়াইফবা অমসুং নেসনেল ইন্তিগ্রেসন এন্দ কম্যুনেল হারমোনিদা বেষ্ট ইদিটরগী মনানা পোকফম পাউচেগী এদিটর অরিবম রোবিন্দ্রো শর্ম্মদা পীরগনি।

মনাশিং অসি থা অসিগী ১৯ দা পাঙথোক্কদবা নেসনেল প্রেস ডে ২০২৫ গী থৌরমদা লান্থোক্কনি।

এৱার্দ (এল)ঃ রাজকুমারি সনাতোন্বী দেবী এৱার্দ ২০২৪ অমসুং গভর্নরস এৱাদ ২০২৩, ২০২৪ অমদি ২০২৫ ঙসি লান্থোক্লগনি। রাজকুমারি সনাতোন্বী দেবী ইদুকেসনেল ইন্সটিট্যুসন মণিপুরগী মেনেজিং কমিতিনা শিন্দুনা ঙসি নোর্থ এ.ও.সিদা লৈবা আশা, জিনা কমেপ্লেক্সতা এৱার্দ লান্থোকপগী থৌরম পাঙথোক্কনি।

থৌরম অসিদা দি.এম. য়ুনিভর্সিতিগী হান্নগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার নোংমাইথেম রাজমুহোন অমসুং রাজ্য সরকারগী ফিসরিজ বিভাগকী দিরেক্তর পি. ফুলেন মৈতৈ শরুক য়াগনি। লোয়ননা মহে লোইশঙ অসিগী মহৈরোইনা নাৎকী ওইবা থৌরম কয়াসু উৎকনি।

ভেটরিনারি (এল)ঃ ওকতা নাবা আফ্রিকান স্বাইন ফিভর রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা থেংনরে হায়না রাজ্যগী ভেটরিনারি বিভাগনা লাউথোকখ্রে।

রাজ্য সরকারগী ভেটরিনারি অমসুং এনিমেল হজবেন্দরি সার্ভিসেস বিভাগকী চেরোল অমনা হায়- লায়না অসি ককচিং জিলাদা মোইরাংথেম লৈকাই খল্লাংবা পরেং অমসুং ককচিং তুরেল ৱাংমদা থেংনখি। চুরাচান্দপুর জিলাদনা খাইমুওন-কংভাই খুলদা থেংনখিবনি। অনাবা ওক সেবা তৌরিবা মীওইশিংগী মখুৎ মশাদগী অতোপ্পা ওকশিংদা শন্দোরকবগী ওইথোকপা চাউনা

লৈ। মরম অদুনা লায়না অসি শন্দোকপা থিংনবা ঐখোয় পুন্না হোৎনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়- লায়না থেংননবা মণিপুরগী জিলাশিংগী রেপিদ রেস্পোন্স টিম ৬০ শেমদ্না লৈরে। মসিগী মথক্তা লায়না শন্দারকপদগী থিংনবা থৌরাংশিং পায়খৎপগা লোয়ননা লায়না অসি থেংনবদা চংবা তঙাইফদবা পোৎলমশিং জিলা জিলাগী জোইন্ট দাইরেক্তরশিংদা শিন্নখ্রে।

য়ুনিয়ন (এল)ঃ নেসনেল কোওপরেতিভ য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী চৎনকাংলোন মখাদা ঙসি রাজ্য অসিদসু ৭২ শুবা ওল ইন্দিয়া কোওপরেতিভ ৱিক ২০২৫ হৌদোক্লগনি। থৌরম অসি মণিপুর ষ্টেট কোওপরেতিভ য়ুনিয়ন্না শিন্দুনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লিলা শঙলেনদা হৌদোক্কনি। থা অসিগী ২০ ফাওবা চত্থগদবা থৌরম অসি মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদসু পাঙথোক্কনি।

ডে (এল)ঃ ভারতকী অহানবা প্রধান মন্ত্রি পন্দিৎ জৱাহরলাল নেহরুগী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা ঙসি লৈবাক অসিদা অঙাংশিংগী নুমিৎ থৌরম পাঙথোক্লি। থৌরম অসি রাজ্য অসিদা লৈরিবা মহৈ লোইশঙশিংদসু অঙাংশিংগী ওইবা থৌরম কয়াগা লোয়ননা পাঙথোকরি। চহি অসিগী ওইবা হিরমনা- ফোর এভরি চাইল্ড এভরি রাইট হায়বসিনি। থৌরম অসি মরুওইনা মীয়ামা চাচা নেহরু হায়না থোইদোক হেন্দোকা খঙনরিবা পন্দিৎ জৱাহরলাল নেহরুনা অঙাংশিংবু লুনা চান্না তৌবা অমদি মখোয়বু ঙাকপী শেনবীদুনা অঙাংশিংগী চপ চাবা হক ফংহন্নবা থল্লম্বা মীৎয়েং অদুবু থবক ওইনা পাঙথোকবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি।

থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা ঙসি মহৈ লোইশঙশিংদা অঙাংশিংগী ওইবা লাইয়েকপা, পোষ্টর মেকিং অমসুং এসে রাইতিংনবা চাংদমবা কয়াসু পাঙথোক্কনি।

জল জিবন (এল)ঃ সেনাপতি জিলাদা জল জিবন মিসন অমসুং নিউ দিভলপমেন্ট বেঙ্ক ফাইনান্স প্রোজেক্টকী মখাদা থাদরকপা শেনফমশিং লান্না শিজিন্নবগী মায়োক্তা ঙরাং জিলা অদুদা মীয়ামগী খোঙজং চংশিনখ্রে। প্রোজেক্টশিং অসিগী মখাদা থাদরকখিবা য়াম্লবা লুপা কোতি কয়াগী শেনফম মরম চাদনা শিজিন্নখিবা য়ানিংদে, শেঞ্জা থুমজা তৌরিবা মীওইশিংগী মথক্তা থিজিনবগী থবক পায়খৎকদবনি হায়নসু দাবী তৌখি।

বিহার ঃ বিহার বিধান সভা মীখলগী ভোৎ মশিং ঙসি জিলা ৩৮ গী কাউন্টিং সেন্তর ৪৬ তা ভোৎ মশিং থীরগনি। ভোৎ মশিং থীবা অয়ুক পুং ৮ দগী হৌগনি। তাঙ্কক অনি থোকা পাঙথোকখিবা মীখল অদুদা শিজিন্নখিবা ই.ভি.এম অমদি ভি.ভি.পেদশিং সেক্যুরিতিনা মরোল অহুম থোকা ঙাকপা ষ্ট্রোং রুমশিংদা থম্লি।

সেক্যুরিতিগী অহানবা মরোলদা সেন্ত্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সনা ঙাক্লি। মসিগী মথক্তা সি.সি.টি.ভি খিন্দুনা অশোই অঙাম থোক্তনবা কুপশেন শেন্নরি। তোঙান তোঙানবা সেক্যুরিতি কাংলুপশিংনা ষ্ট্রোং রুমশিং অদু অশোই অঙাম থোক্তনবা কুপশে শেন্নদুনা লৈরি।

পনবা য়াই, বিহার বিধান সভা মীখলগী ভোৎ তাঙ্কক অনিরক থোকা থা অসিগী ৬ অমদি ১১ দা পুন্না বিধান সভা কেন্দ্র ২৪৩ দা থাদনখি। অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলদা জিলা ১৮ গী বিধান সভা কেন্দ্র ১২১ দা নুপী মীরেপ ১২২ অমসুং ত্রান্সজেন্দর ১ য়াওনা পুন্না মীরেপ লিশিং ১,৩১৪ না লম্বা থেংনখি। অনিসুবা তাঙ্কক্তনা জিলা ২০ গী বিধান সভা কেন্দ্র ১২২ দা নুপী ১৩৬ য়াওনা মীরেপ লিশিং ১,৩০২ না লম্বা তৌনখিবনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

বি.জে.পিগী লুচিংবা অনিনা চুরাচান্দপুর, সেনাপতিদা এম.এল.এ, আই.দি.পিশিং উন্নখিবা, ষ্টেট জরনেলিষ্ট এব্রার্দকীদমক খল্লবা পাউমীশিংগী মীং লাউথোকখিবা, আফ্রিকান স্বাইন ফিভর মণিপুরদা শন্দোরকপগী পাউনা ঙসি

ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদ- মণিপুরদা দেঙ্গি নাবগী চাং কা হেন্না ৱাংলে, মমাংগী চহিদগী চাদা ২০১ হেনখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

দেঙ্গিগী কেস হেনগৎলকপগী পাউ অসি হুইয়েন লানপাউ, পোকফম অমসুং শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদসু অহানবা লমায়দা ফোংলি।

আফ্রিকান স্বাইন ফিভর শন্দোরক্লি, ককচিংদা কেস অনি, চুরাচান্দপুরদা অমা থেংনরে হায়বা পাউ শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অনিসুবা হেদলাইন ওইরি।

পাউ অসি সনালৈবাক, শঙাহ্ এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসন, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, হুইয়েন লানপাউ, হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেস অমসুং গানফিউ মেলদসু অহানবা লমায়দা ফোংলি।

বি.জে.পিগী লুচিংবা অনিনা চুরাচান্দপুর, সেনাপতিদা এম.এল.এ, আই.দি.পিশিং উন্নখিবগী পাউগা লোয়ননা মণিপুরগী অপুনবা শক্তম কায়হল্লোই, য়েৎলিবশিং ৱাখল তামিন্নগনি হায়বা বি.এল. শন্তোসকী ৱাফমননা সনালৈবাক্কী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

পাউ অসি অয়াম্বা পাউচেশিংদসু অহানবা লমায়দা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরি।

ষ্টেট জরনেলিষ্ট এৱার্দ ফংলগদবশিংগী মীং লাউথোকখিবগী পাউনা সনালৈবাক পাউচে অসিগী অনিসুবা হেদলাইন ওইরি।

পাউ অসিসু অয়াম্বা পাউচেশিংগী অহানবা লমায়দা ফোংবা থেংনরি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা দিসেম্বর ১ দগী এয়ার ইন্দিয়া এক্সপ্রেস নুমিৎ খুদিংগী ইম্ফাল-গুৱাহাতি-দিল্লি পাইনবা থৌরাং লৈরে হায়না অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা উখ্রুলগী মোভা কেভতগী হল্লকপা মৈতৈ পাঙল নহাশিং কুকিশিংনা তমথিনা ফুরকখ্রে হায়না অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিসু অয়াম্বা পাউচেশিংদা অহানবা লমায়দা ফোংবা থেংনরি।

ময়াই কাবা ড্রগকী পোৎলমশিং থিংনবা অৱাং নোংপোক লমদমশিং অমত্তা ওইনা পুনশিনবা তঙাইফদে হায়বা নাগালেন্দগী দি.জি.পি রুপিন শর্ম্মগী ৱাফম পিপলস ক্রোনিকলগী এনকর কলমদা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা এ.কে. ভল্লানা মহাক্কী কাউন্সিল অমসুং সেক্যুরিতিগী মীফম পাঙথোকখ্রে, বি.জে.পিগী লুচিংবা অনি লাল্লুবসু লৈঙাক শেন্নবগী ইনিল ফংদ্রি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা লাক্লিবা শঙাই ম্যুজিক ফেষ্টিভেলদা বৃটিশ বেন্দ ব্লু অমসুং সিক্কিমগী গিরিস এন্দ ক্রোনিকলস শরুক য়াগনি হায়বা পাউ অহানবা লমায়দা ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা নোনে জিলাদা লৈরিবা লৌমীশিংদা নিংথমগী মরু মরাং য়েন্থোকখিবগী পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

অমসুং সেনাপতি জিলাদা জন জাতিয়া গৌরব পারস পাঙথোকখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

------